**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসনগী চথুরিবা থবক থৌরমশিং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওবা মীফমনা খন্নখ্রে।

২) হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী ৯৪ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

৩) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী ন্‌মিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৪) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সরকারগী লম খোপচিনবশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

অমসুং

৫) মালেমদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা ভারত অমসুং জপান্না হেন্না থৌদাং লৌমিন্ননবা য়ান্নখ্রে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসননা হৌজিক চথুরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।

রাজ ভবন ইম্ফালগী চেরোল অমদা হায়- মীফম অদুদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসনগী দাইরেক্তর অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ওফিসিয়েলশিংগী মাইকৈদগী, হৌজিক হৌজিক খুঙ্গংগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী ওইবা অকুপ্পা ৱারোলশিং রাজ্যপালদা পাউদমখি। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং, শেল থুমগা মরী লৈনবা হিরমশিং, দরকার লৈবা কর্ম্মচারিশিং ৱাৎপগী মতাং অমসুং মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী থবক থৌরমশিং, রুরেল সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটনা পায়খৎলিবা থবকশিং অমসুং মখোয়না লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগীদমক পাঙথোক্লিবা ত্রেনিংনচিংবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। রাজ্যপালনা, ৱাৎলিবা কর্ম্মচারিশিং মশিং হেনগৎহন্নবা অমসুং হৌজিক পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং অমসুং স্কিমশিং মখা তানা চত্থদুনা খ্বাইদগী শোত্থনা লৈরিবা মীওইশিং য়ৌনা কান্নবশিং ফংহন্নবা পাউতাক পীখি।

অমরোমদা, কারকিনোস হেলথ কেয়ার প্রাইভেট লিমিতেদকী মীহুৎশিংগসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। কারকিনোস মণিপুর কেন্সর ইন্সটিট্যুট এন্দ রিছার্স সেন্তরগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু রাজ্যপালনা হন্না য়েংশিনখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা সেন্তর অসিদা মতমগা চুনরবা খুৎশু খুৎলায়শিং থমদুনা কেন্সরনা নারবা মীওইশিংদা কান্নবা কয়া পীরিবা অদুগী মতাংদসু রাজ্যপালদা পাউদমখি।

মণিপুর ইক্বেষ্টরিয়ান এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমগসু ঙসি রাজ্যপালগা উন্নদুনা মণিপুরগী য়েলহৌ শগোল য়োকখৎনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

জাদোনং (এল)ঃ হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী ৯৪ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি নোনে জিলাগী নুঙবা হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অথৌবা হাইপৌ জাদোনংগী মীতম অমা খিনখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নুঙবাগী এম.এল.এ- দিনগাংলুং গাংমৈনা হায়- হৌখ্রবা পুৰারীবু নিংথিনা খঙদ্রবদি ঐখোয়গী খুনাইগী চাওখৎ খোঙজেল থিন্থগনি। জাদোনং অমসুং রানি গাইদিনলিউগুন্বা লুচিংবা লুচিংবীশিংগীদমক ঐখোয়না চাউথোকচবা পোক্কদবনি। মহাকা হায়- বৃটিশ লৈঙাক্কী মতমদা জেলিয়াংরোংশিংবু অসাম, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা তোঙান তোঙান্না খায়দোক্তুনা মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎনরম্মী। অদুমওইনমক, ঐখোয়গী নাৎ চৎনবীগী শেংলবা লীপুন্না ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী শক্তম ঙাক্তুনা হিংবা ঙম্লক্লি। নাগাগী লালহৌবশিংগী মরক্তা য়ান্নদবা লৈরিবশিং লুচিংবশিংনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা শান্তি অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা লাকনবসু মহাকা আপীল তৌখি। মণিপুরদা চহি অনিরোম লৈরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি লোইশিন্দুনা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবীনবসু মহাকা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

থৌরম অদুদা জেলিয়াংরোংগী আর্টিষ্টশিংনা নাৎকী ওইবা তোঙান তোঙানবা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ চাদোনং লৈখিদবগী ৯৪ শুবা নিংশিং থৌরম  ষ্টেট লেবেল হাইপৌ জাদোনং দেদ এনিভরসরি কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা জাদোনং পার্কতা ঙসি পাঙথোকখি। মীয়ামনা জাদোনংগী মীতমদা লৈ কৎতুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

কুমওন থৌরম অসি কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা শিন্দুনা মহাবলি কবুই খুলদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী হেদ ওফিসতসু পাঙথোকখি। ৯৪ শুবা হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী নিংশিং থৌরম তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু পাঙথোকখি।

ফিলম (এল)ঃ    ফিলম ফোরম মণিপুরগী ২১ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্লি। আর্টিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমশিং উৎপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা খুরাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- লৈশাংথেম শুশিন্দ্রো অমসুং কুম্বী কেন্দ্র এম.এল.এ- এস. প্রেমচন্দ্র শরুক য়াখি।

কৈনৌ (এল)ঃ সাইবর ক্রাইম অমদি কম্যুনিতি পোলিসিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌ হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। বিষ্ণুপুরগী এস.দি.পি.ও অমদি ও.সিনা জিলা অসিগী এস.পিগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ফিজিকেল ইজ্‌কেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্সনা শিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ডাঃ কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়- শান্তি লৈবা অমসুং অপুনবা খুনাই অমা ওইরকবা হোৎনবদা নহারোলশিংগী শক্তিবু শান্ন-খোৎনবনা মায়ওন চুমদুনা পান্দম অদু ফংহনবদা মতেং পাংই। জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী নুমিৎ পালন থৌরম অসিনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী শরুক অমা ওইবতা নত্তনা কুমজা ২০৪৭ তা চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবগী মঙলান মঙফাওনহনবদা চাউনা মতেং ওইগদৌরিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, এস.টি.সি-খুম্মন লম্পাকা শিনদুনা ঙসি পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরমগা মরী লৈননা শকাইরবা হোকি শান্নরোই মেজর ধ্যানচান্দগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সাইক্লিং এসোসিয়েসন অমদি য়ুথ ক্লব-ব্রহ্মপুর ইম্ফালনা শিনদুনা ৱাই.সি.বি. গ্রাউন্দদগী মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরনা সাইকলগী রোড সো অমা লমথাখি।

মণিপুর হোক্কিনসু ঙসি জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী নুমিৎ পালন থৌরম ইম্ফালগী অকামপাৎতা লৈবা সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী এষ্ট্রোটর্ফ হোক্কি ফিল্ডদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা হকচাং ফনা লৈনবা অমসুং শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওননবা ব্রাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা থোংজ্ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎ অমসুং শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সেনাপতিগী মাউন্ট এভরেষ্ট কলেজদসু ঙসি জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি।

ইভিক্সন (এল)ঃ জিলা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংগী অকনবা য়াথং মখাদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম্বীগা থংননা লৈবা সরকারগী লম খোপচিনবশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চখ্থরি। ঙসিসু ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি চীংঙারেল তেজপুর এরিয়াদা লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকখ্রে। থা অসিগী ২৭ তগী খাবৈশোইদগী তকথোকপা হৌরকখিবা অদু ঙসিনা চীংঙারেল তেজপুর এরিয়াদা পাঙথোকপনি। ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী পরিং অসিদা লম্লাই ফাওবগী মনুংদা সরকারগী লম হেনজিল্লম্বশিং খঙদোকপা লোইদুনা তকথোকপগী থবক অসি চখ্থরকপনি।

বিমোল (এল)ঃ লোক সভাগী এম.পি- ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি- পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্টতা অশোইবা কয়া লৈরিবা অসি শেমদোকপগী মহুৎতা মখোয়না নাপল কাদুনা লৈরিবা অসিনা মণিপুরগী ইরাং অসি মখোয়গী ওইবা ৱারী অমদা শাগৎলগা লৈরে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে।

মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা দ পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবরতিজ (পি.য়ু.সি.এল)গী ত্রাইবুনেল রিপোর্ট অমা পুথোরক্লিবা অসিগী

মতাংদা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি য়ুনিভর্সিতি অসিগী রিছার্স ক্লব অনিনা পুন্না শিন্দুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা এম.পি. বিমোলনা হায়- পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অদুদা অশোইবা অরানবা কয়া য়াওরে হায়না ইখিবা চিঠি অদুদা পাউখুম পীরকপা অসিদি য়ামা থাগৎলি। অদুবু অশোইবা অরানবা য়াওরে হায়না মীয়ামা হায়নরক্লিবা অসি খন্থদুনা শেমদোকপগী মহুৎতা রিপোর্ট অদু মমুৎ তানা পাখো হায়না পাউখুম পীরকপা অসি নাপল চাউবগী মতৌনি।

মহাকা হায়- রিপোর্ট অসিদা মীয়ামা হেক য়েংবদা খঙবা অশোইবা অরানবা কয়া অমা য়াওরি। মরম অসিনা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট অসি মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মচাক অমা ওইরে।

চাইল্ড (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা হায়রি- মহৈরোইশিংগী পুন্সি অসি ইমুং মনুং অমসুং খুন্নাইগী ওইবা থৌদাংশিং য়ামা লৌদ্রিবা নুংঙাইরবা মতম অমনি। অদুমওইনমক, মহৈরোই ওইরিঙৈগী তাঙ্কক অসিদা পুন্সিগী ওইবা পান্দমশিং লেপথোক্কুনা ফংননবা কন্না হোৎনবগী মতম অমসুনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিতনা শিন্দুনা ঙসি মোইরাংগী লোক্তাক খৃষ্টান মোদেল হাইস্কুলদা চাইল্ড প্রোটেক্সনগী মতাংদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরমদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়- মহৈরোইশিংনা অফবা মরুপ মপাংশিং লোয়না তিন্নদুনা পুন্সিবু লমজিংন্নবা হোৎনগদবনি। মতিক চারবা মায় পাক্লবা পুন্সি অমা ওইরকপা হায়বসিদা লোয়না-তিন্নরিবা মরুপ মপাংশিংগী মখাসু য়ামা পোল্লি। মখোয়না নুংঙাইতবা অমদি খুদোংচাদবা ফিভমশিং থেংনরকপা মতমদা ওজা অমসুং ইমা ইপাশিংগী মতেং লৌনবা হোৎনগদবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা শ্রীমতি পুজানা হায়- সোসিয়েল মিদিয়াদা উরিবা পুমমক লোয়না চুন্বা নত্তে। মরম অদুনা সোসিয়েল মিদিয়াবু কা হেন্না শিজিন্নবা অমদি মসিদা ফংলিবা ঈ-পাউশিংদা লোয়নমক থাজবা হায়বসি অচুম্বা নত্তেন।

ই-শ্রম (এল)ঃ ককচিং জিলাগী ওইনা ই-শ্রম স্পেসিয়েল রেজিষ্ট্রেসন কেম্প থা অসিগী ২৫ দগী হৌখ্রে। মথং থাগী ৫ ফাওবা চথুগদবা কেম্প অসিদা মরী লৈনবা শিন্মীশিংনা ই-শ্রম পোর্তেলদা রেজিষ্টর তৌননবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং জপানগী প্রধান মন্ত্রি সিগেরু ইসিবানা ঙসি তোকিওদা পাঙথোকপা ১৫ শুবা ইন্দিয়া-জপান এন্যুএল সম্মিৎতা পুন্না শরুক য়াখ্রে।

মীফম অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরক্লিবা মরী হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মখা তানা মালেমগী মপাং অমা অমা ওইনা মাঙলোমদা চংশিমিন্নবসু ৱারী শান্নখি। পুন্না পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নখিবা অদু য়ামা মহয় য়ানবা অমনি। লম কয়াদা হেন্না ফবা মাইকৈদা চৎমিন্নবা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্ন- নৈনখি। ভারত অমসুং জপান্না মালেমদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবদা হেন্না থৌদাং লৌমিন্নবসু য়ান্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী মখা তাবা পাউ--

জিমাষ্টিক (এল)ঃ মণিপুর জিমাষ্ট পেরেন্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুগদবা জিমাষ্টিক চেম্পিয়নসিপ ঙসিদগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা সি.আর.পি.এফকী এসিষ্টেন্ট

কম্মান্দেন্ট নামৈরাকপম কুঞ্জরানি দেবী শরুক য়াখি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা বিগিন্নরস, সবজ্‌নিয়র, জ্‌নিয়র অমদি সেনিয়র কেটাগোরি খায়দোক্তুনা পুন্না জিমাষ্ট ৬৫ না অথোই অহেন তান্নরি। ইভেন্টশিংগী মনুংদা আর্টিষ্টিক ভোল্ট, অন ইভন বারস, বিম, ফ্লোর এক্সরসাইজ, রিং, পোমেল হোর্সনচিংবা য়াওরি।

ফুটবোল ঃ তমেংলোং ফুটবোল লিগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা- দাইলোং ৰাই.ওনা আমানা ৰাই.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা- চেংদাই নমজৰান এফ.সিনা ফালোং ৰাই.ওবু পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখ্রে।

------